# শুমাং লীলা নীংথম কুম্মৈ-২০২১-২২

# চুমথাং ক্রিএটিভ আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী 'মমা অনী' উৎখ্রে

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচএনএস) : মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিল (এম এস এস এল সী) না শীন্দুনা থা অসিগী ২০দগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা চথরক্লিবা শুমাং লীলাগী নীংথম কুম্মৈ, ২০২০-২২গী ঙসি তরেৎনি চল্লকপদা



চুমথাং আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী 'মমা অনী' উৎখ্রে।

লীলা অসি জি বি শর্ম্মনা ইরগা মশামক্লা তাকপী তন্বীবনি। এসিষ্টেন্ট দিরেক্টরনা প্রেমনি অদুগা দল্লিয়ু রঞ্জিৎকুমারনা ঈশৈ ময়েক ইরগা শান্ত লাইখুরামনা ম্যুজিক দিরেক্সন পীবনি।

লীলাগী ৱারীদা মচিন মনাও অনী নুংশিননা লৈমিন্নরকপদগী ময়াম্বা অমসুং মতৈমনা মনাওনুপাবু শেমজরক্লুনা এগজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়র ওইহনখি। অদুবু ময়ুম পানখিবদগীদি মনাওনুপা মহাক্কী নুপীগী মখাদা হিংবা পুন্সি ওইরকপদগী ময়াম্বা লৈখিদ্রবা মতুং মতৈমবু হন্না য়েংখিদে। মতৈমনা ৱানা হোৎনদুনা খূৎশুমলনা হিংবা পুন্সি ওইরক্লবসু মচাবু মহৈ তমহন্দুনা হোৎনরকপগী মহয়না শেল তিংদনা ডাক্টর ওইহল্লকপা ঙমখি।

মনাওনুপাগী নুপীনা মপুরোইবগী শেন্থোক্তা নাপল কাদুনা অচাওরম কারকপদগী শেল থুমগী অৱাৎপা লৈহন্দ্রবসু মচানুপাবু মেট্রিক ফাওবা পাস তৌবা ঙমহনখিদে। লায়রবা মতৈমগী মমা মচাগী হোৎনজমনদি মীয়াম্না উখি। ইনাকখুনবা মনাওনুপাগী ইমুংগী মহয়দি চাবা ফংখিদে। লায়রবা অমসুং ইনাকখুনবা ইমুং অনীগী মমা অনীনা লৌখিবা খেন্নবা থৌদাংশিং ময়েক শেংনা উৎপা লীলানি।

লায়রবা মচানা অখাং কনবগা লোয়ননা পান্দম অমগা লোয়ননা চঙশিল্লকপবু ময়েক শেংনা উৎলি। অদুগা মীওইবা হায়বসি পান্দম য়াওদ্রগাদি থৌনা লিংজেলসু লাপথোক্লা লৈ হায়বসু উৎলি।

লীলা অসিদা নুপাগী শক্তম লাংখিবশিংদা রাজেনদা জি বি শর্ম্ম, হেমোচন্দ্রদা প্রেম, বিনোয়দা জেতিন, পারিদা তাইবংঙানবা, নাওবীদা বোবো, লোখেনদা নিকিনি।

নুপীগী শক্তমদা লৈমদা বুধ, শখিতোন্বীদা দেবচান্দ খুমন, লিংজেলদা ধনজিৎ অমসুং পান্থোইগী শক্তমদনা সোমোকান্ত য়ুম্লামনি।

নুপী খোঞ্জেলদা পম্বৌ অঙোমচা অমসুং নুপা খোঞ্জেলদনা সুনিলনি। কি বোর্দতা মনিরাম, গিতরদা সান্ত লাইখুরাম, পেট দ্রমদা সোমেন্দ্রো, তবলাদা জি তোনি, বাঁসি অমসুং ভাইওলিনদা গোপিচান্দনি।

## ৱার্কশোপ লোইশীনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস): সঙ্গিট নাটক একাদেমি, ন্যু দেল্লীগী শেন্থং মখাদা খুরাই থাংজম লৈকায়গী রাধারামন মান্দপ (থাংজম মান্দপ) তা চথরকপা ৱার্কশোপ কম ফেষ্টিবেল ওন পানা মরি হোলি সঙ্কীর্ত্তন লোইশীনবগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

প্রাচয়া নাটা সঙ্কীর্ত্তনা সমাজ খুরাই থাংজম লৈকায়না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ কম ফেষ্টিবেল লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ৱাংখৈ এ সীগী এম এল এ অরুনকুমার থাংজম, রিটাইয়র্ড সুপরভাইজর (ৱাই এ এস) থাংজম ইবোহল অমদি অহল্লুপ পানা হোলি দোল খুরাইগী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম তোন্দোননচিংবা মথংশিংনা অথোইবা লেংবীরকপা, ময়ায় তাঙবল অমদি অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা অথোইবা লেংবীরকখিবা ৱাংখৈ এ সীগী এম এল এ অরুনকুমার থাংজমনা হায়, ঐখোয়গী মহৌশাদগী লৈজরিবা কলচরগা মরী লৈনবা নট সঙ্কীর্ত্তন অসিনা ইরমদম অসিবু মশক খঙহল্লিবনি। মরম অদুনা ইরমদম অসিগী কলচর অসি ঙাক্তুনা থন্বা অসি য়াম্না মরু ওই। ঐখোয়গী শান্ন-খোন্নবা অমদি ইরমদমগী কলচর অসি কায়হন্দনা থম্নবগীদমক ঙসিগী মীরোলনা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্ননবা আপিল লৌখি। থৌরম অদুদা অখন্নবা লেংবীরকপা ওইখিবা এল তোন্দোননা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক নট সঙ্কীর্ত্তনগী পানা অসি নোংম- নোংমগী শীথরক্লিবা অসিগী নুংনাংবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মসি হিংগৎনবা হোৎনবদা ঙসিগী মীরোলশিংনা নট সঙ্কীর্ত্তন অসিবু য়াওশিনবীদুনা পুন্না ঙাক শেনবীনবা আপিল তৌখি।

## স্টেট ৫গী গ্রুপতা মণিপুরনা সেকেন্দ তারক্লে...

*লামায় ১গী মখা...*অসি অহানবদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৩০দগী মহৈরোয় লাখ ৩ হেনবনা শরুক য়াদুনা ওনলাইনগী খূথাংদা অহানবা অমসুং অনীশুবা রাউন্দ পাঙথোকখ্রবা মতুং রাউন্দশিং অসিদা টোপ্পর ওইখিবা মহৈরোয়শিং খনগৎতুনা শরুক য়াহল্লগা মুম্বাইগী ফিল্ম সিটিদা পাঙথোকখিবনি।

ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০দগী হৌখিবা সেসন-৪গী অহুমশুবা রাউন্দদা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদগী লাকপা মহৈরোয় ৩/৩গী গ্রুপ ৩০না শরুক য়াখি। গ্রুপ অমমমদা ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৫/৫ য়াওহনখি। অদুগা মহৈরোয় ৩ অদুগী মনুংদসু সব-জুনিয়র, জুনিয়র অমসুং সিনিয়র হায়বা মহৈরোয় ৩/৩ শরুক য়াহনখিবনি।

মণিপুরনা শরুক য়াখিবা গ্রুপ অদুদা দেল্লী, উত্তর প্রদেশ, হিমাচল প্রদেশ অমসুং মিজোরামসু য়াওখি। গ্রুপ অসিগী ওইনা চাংদম্নবদা হিমাচল প্রদেশনা অহানবা পোজিসন তারগা মণিপুরগী মহৈরোয় ৩না অনীশুবা পোজিসন তারকখিবনি।

মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংনা কংলা তোংবীদগী রোজেস ইংলিস স্কুলগী ক্লাস টেনগী মহৈরোয় মুসকান বুজেল অপোকপা অর্জুন বুজেল, কংলা তোংবী শান্তিপুর, কেন্দ্র বিদ্যালয়া নম্বর-১, লম্ফেলপাৎতা ক্লাস সিক্স তম্লিবী চনচলা কাংবম অপোকপা কে হেরোজিৎ, লংদুম ময়ায় লৈকায় অমসুং সব জুনিয়রদা শরুক য়াখিবনা মাইবম তেলহৈবা অপোকপা এম বিদ্যারাজ, ময়াংইম্ফাল থানা মমাঙনি। মহাক পাঙ্গৈগী মহৈলেন এদ্যুকেসন সেন্টরদা লৈরগা সৈনিক ফাউন্দেসন স্কুলদা ক্লাস ফাইভ (রোল নম্বর ২১) তম্লিবনি।

মণিপুরগী মহৈরোয়শিং অসিবু ঙসি পাঙথোকখিবা সেসন-৪গী অহুমশুবা রাউন্দদা শরুক য়ানবা খঙহল্লকপদগী থা অসিগী ২৩দা মুম্বাইগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবনি।

## এম এল এ শগোলশেম কেবিগী এসেটকী গ্রোস ...

*লামায় ১গী মখা...* করেন্ট একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৩ ফাওবদা লুপা ৩৫,৯৪১ লৈখি। অহুমশুবদা ঐচ দি এফ সীগী রিকরিং দিপোজিট একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৩ ফাওবদা লুপা ১৬,০০০ লৈখি। মরিশুবদা ঐচ দি এফ সীগী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৩ ফাওবদা জেরো বেলেন্স ওইদুনা লুপা অমা ফাওবা য়াওখিদে। লোয়ননা মহাক্কী মপুরোইবা সোরাইশম গোবিনগী এক্সিস বেঙ্ককী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৩ ফাওবদা লুপা ৩০,২৪৬ লৈখি। অনীশুবদা আই সী আই সী আই বেঙ্ক একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৩ ফাওবদা লুপা ১,২৫,৫৬৬ লৈখি। অহুমশুবদা আই সী আই সী আই বেঙ্ককী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৩ ফাওবদা লুপা অমত্তা য়াওখিদে। মরিশুবদা বেঙ্ক ওফ বরোদাগী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৩ ফাওবদা লুপা ১,৯৬২ লৈখি। লোয়ননা এম/এস সোরাইশম ইন্টরপ্রাইজেসকী মীংদা আই সী আই সী আই বেঙ্ককী করেন্ট একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৩ ফাওবদা লুপা ৩১,৭৫৬ লৈখি। অনীশুবদা এম/এস সোরাইশম ইন্টরপ্রাইসেসকী মীংদা পি এন পি বেঙ্ককী একাউন্টদা লুপা ৭,৬১৭ লৈখি হায়রি।

এফিদিভিটকী মতুংইন্না এম এল এ সগোলশেম কেবিগী মীংদা ইনভেষ্টমেন্ট তৌখিবগী রেকোর্দ অমত্তা য়াওদে। অদুবু মহাক্কী মপুরোইবগী মীংদা বেঙ্ক ওফ বরোদাদা ম্যুচুঅল ফন্দদা লুপা ৫,০৫,৫২২; সোরাইশম স্পোর্টস ইনফ্রা প্রাইভেট লিমিটেদকী মীংদা ইক্যুটি শেয়র ওইনা লুপা ৩,৪৬,৯৮,৩০০; এল আই সীদা লুপা ৩,০০,০০০; ICICI Pru iProtect Smart Insurance পোলিসিদা লুপা ১৫,২৭৬; আই সী আই সী আই প্রু গরেন্টিদ ৱেল্থ প্রোটেক্টর এল পি পোলিসিদা লুপা ২,৩৭,০৫৪; আই সী আই সী আই প্রু ফ্যুচর পরফেক্ট পোলিসিদা লুপা ২৫,৫৬২ অমদি আই সী আই সী আই প্রু লাইফ টাইম ক্লাসিক পোলিসিদা লুপা ৫০,০০০ ইনভেষ্ট তৌখি হায়রি। শগোলশেম কেবিগী মীংদা কুমজা ২০০৬তা চাওরাক্লা লুপা ৯,২০,০০০ লোম ওইগদবা হুন্দাই আই-২০ কার অমা লৈখি অমদি কুমজা ২০১৭দা লুপা ৪০,০০০ লোম ওইগদবা প্লেজর স্কুটি অমা লৈখি। লোয়ননা মহাক্কী মপুরোইবা সোরাইশম গোবিনগী মীংদা কুমজা ২০১৭দা চাওরাক্লা লুপা ৩৪,৮৭,০০০ লোম ওইগদবা ওদি কার-ক্যু ৩ পি আই ২ অমা লৈখি। কুমজা ২০১৯দা চাওরাক্লা লুপা ২৮,৪০,২৮৯ রোম ওইগদবা জে সী বি ৩দি এক্স সুপর অমা লৈখি। কুমজা ২০১৯দা চাওরাক্লা লুপা ২৫,৩৮,০০০ লোম ওইগদবা টাটা এল পি কে ১৬১৮ অমা লৈখি অমদি কুমজা ২০১৯দা চাওরাক্লা লুপা ২৫,৩৮,০০০ লোম ওইগদবা টাটা এল পি কে ১৬১৮ অমসু লৈখি হায়রি।

শগোলশেম কেবিগী মীংদা চাওরাক্লা লুপা ২,০৫,০০০ লোম ওইগদবা সনা সন ১৩.৬৬ লৈ অদুগা মহাক্কী মপুরোইবগী মীংদনা চাওরাক্লা লুপা ১,০৭,০০০ লোম ওইগদবা সনা সন ৭.১৩ লৈ হায়রি। এম এল এ সগোলশেম কেবিগী গ্রোস টোটেল ভেল্যু অসি লুপা ১৩,১৭,২২৩ ওইখি। অদুগা মহাক্কী মপুরোইবগীনা গ্রোস টোটেল ভেল্যু অসি লুপা ৪,৭৮,৭৪,১৫২ ওইখি। মহাক্কী মীংদা এগ্রিকলচরেল লেন্দ ওইনা লাংথবাল লেপতা একর ০.৭২০০; ওইনাম লৈকায়দা একর ০.০৭৮৮৭; লাংথবাল লেপতা একর ০.৮৪০০; একর ০.৬৪০০ অমদি একর ০.৫৩০০ লৈ। মহাক্কী মপুরোইবগী মীংদা লাংথবাল লেপতা একর ০.৩২০০; একর ০.৬৮০০; একর ০.৭০০০; একর ০.৬৪০০ অমদি একর ০.৩২০০ লৈ হায়রি। লোয়ননা মহাক্কী মপুরোইবগী মীংদা রেসিদেন্সিএল বিল্ডিংদা নাউরিয়া পাখঙলাকপদা স্কৱার ফিট ১৭৯৭.৭২১২; স্কৱার ফিট ২১২০.৫০০৮ অমদি স্কৱার ফিট ২২৯০.৩৮৪৮ লোমগী পাকচাওবা মফম লৈ হায়রি।

এফিদভিট অদুগী মতুংইন্না এম এল এ সগোলশেম কেবিগী কুমজা ২০২০-২১গী লাষ্ট ইনকম রিটর্ন ফাইল্ড অসি লুপা ৪,০১,৩২০ ওইখি অদুগা মহাক্কী মপুরোইবগীনা চহী অসিমক্কী লাষ্ট ইনকম রিটর্ন ফাইল্ড অসি লুপা ১,২২,৩৬,৫৯০ ওইখি। মহাক্কী মীংদা পেন্দিং ক্রিমিনেল কেস অমত্তা লৈতে হায়নসু পল্লি।

## পোজিটিভ কেস ১ থেংনবদগী এক্টিভ কেস ২ শুরে...

*লামায় ১গী মখা...* মসিগী মনুংদা মীচম মীয়ামগী মশীংনা ১,৩০,১০৩ ওইরগা মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৫,০০৭নি। রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৪৫তা লৈরি।

ঙসি নুংথিলগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা বিষ্ণুপুর ৭, চান্দেল ২, চুড়াচান্দপুর ৭, ইম্ফাল ইষ্ট ৪, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২২, কাংপোকপী ১, তমেংলোং ৩, তেংনৌপল ১, থৌবাল ৩ অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ২৬কী য়াওনা অপূনবা সেম্পল ৭৬ টেষ্ট তৌখিবদা পোজিটিভ কেস অমা থেংনরকখিবনি।

অমরোমদা, লায়না অসিবু মায়োক্লনবা লেপ্তুনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না ঙরাং ফাওবদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটি শিংদা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী অপূনবা মশীংনা দি টাইপ ৯৭, বি টাইপ ২১নি হায়রি। অদুবু এক্টিভ কেসকী মশীং অমত্তা লৈতনা জিরোদা লৈরবনা জেনিমস অমসুং রিমসতা কোভিদ পেসেন্টশিংগীদমক অখন্নবা খাক্তুনা থম্লক্লিবা ফমুংশিং মথংশিংনা ১০০ অমসুং ৪৭তসু পেসেন্ট অমত্তা লৈত্রে।

অদুগা ঙরাং খক্তদা মীওই ১৬৬০ হীদাক কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা পূন্না হীদাক কাপথোকখ্রবা মীওইশিংগী মশীং ২৮,৮৮,৫১৮ শুরে। মসিগী মনুংদা অহানবা দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১৫,৬৭,৯৯০নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১২,২৫,৪৩২নি। অদুগা প্রিকোশনরি দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ৯৫,০৯৬নি হায়রি।

ঙরাং মে ২৫, ২০২২ ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা লৈখিবা হীদাক কাপথোক্লবা অপূনবা মীশিংগী চাংনা বিষ্ণুপুর - অহানবা দোজ ৭৩.৮৬, অনীশুবা দোজ ৬০.৮৮, চান্দেল অহানবা দোজ ৭৬.২১, অনীশুবা দোজ ৬৭.৭৪, চুড়াচান্দপুর অহানবা দোজ ৬২.৬৯, অনীশুবা দোজ ৫৭.২৯, ইম্ফাল ইষ্ট অহানবা দোজ ৭৬.০৯, অনীশুবা দোজ ৬৪.২১, ইম্ফাল ৱেষ্ট অহানবা দোজ ৭৭.৭৪, অনীশুবা দোজ ৬৭.৭০, সেনাপতি অহানবা দোজ ৩৫.৯২, অনীশুবা দোজ ৩০.৮৬, তমেংলোং অহানবা দোজ ৪৪.৩১, অনীশুবা দোজ ৩৪.৮৫, থৌবাল অহানবা দোজ ৬২.২৭ অনীশুবা দোজ ৫১.০০, উখ্রুল অহানবা দোজ ৪২.০৪, অনীশুবা দোজ ২৫.৪৩, তেংনৌপল অহানবা দোজ ৪৯.৪২, অনীশুবা দোজ ৩৭.৫২, কাংপোকপী অহানবা দোজ ২২.৭৩, অনীশুবা দোজ ১৭.২৩ কামজোং অহানবা দোজ ৩৮.৪৯, অনীশুবা দোজ ২৯.৯৬, জিরিবাম অহানবা দোজ ৭৩.১৬, অনীশুবা দোজ ৬১.৬৭, ফেরজোল অহানবা দোজ ৩৬.২৩, অনীশুবা দোজ ৩৮.৬৬, নোনে অহানবা দোজ ৪৩.৫৪, অনীশুবা দোজ ৩৪.৬৭, ককচীং অহানবা দোজ ৭৮.৩০, অনীশুবা দোজ ৬৭.৫২নি হায়রি। অদুগা মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপথোকখিবা মীওইশিংগী চাংনা চাদা ৬১.৮৪নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপথোক্লবশিংগী চাংনা চাদা ৫২.০৩নি হায়রি। লোয়ননা কোভিদ কন্ট্রোল রুমগী টোল ফ্রী ফোন নম্বরনা ১৮০০-৩৪৫৩-৮১৮নি হায়রি।

অ ঈং-অশাগী পাউ

স্থাইদগী শাবা ৩৫.৮৮°C
স্থাইদগী ঈংবা ১৮.৫৬°C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০৩.০৬
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৭

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 83.038799 |
| US Dollar | 77.578872 |
| British Pound | 97.516548 |
| Australian Dollar | 54.918474 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.516461 |
| Japanese Yen | 0.610716 |
| Malaysian Ringgit | 17.639222 |
| Singapore Dollar | 56.430650 |
| South Korean Won | 0.061343 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.687699 |
| Thai Baht | 2.267825 |

**GAS NEWS**

**KHORIPHABA NAMBOL BK.UPTO DATE**
Timing 6.30am to 10 am
Cont.no - 8787632782, 6009194940

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO 21/05/2022**
VALID FROM NIL
14kg,19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI 9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

**TANGLEI GAS OINAM**
V/f- 16-04-22
**B/upto - 21-04-22**
**Stock 612**
7am to 10am

**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO DATE**
Time: 11 am to 2 pm
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.

**GBD Indane Service**
**Booking upto :-05/05/2022**
Valid from :-02/04/2022 **Stock- 294**
All Customers are Home Delivery (Delivery within 4 days)
Working hours 7:30 AM-11 AM and 2pm -4pm (Everyday Except Holiday ) Contact no. 9362178800 and 7629947187 for Refill Order and Enquiry

**M/S K&K INDANE SERVICE,**
Home delivery only
**BOOKING UPTO DATE**
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.

## বিএদ/এমএদকী এন্ট্রান্স...

*লামায় ১গী মখা...*এন্ট্রান্স টেষ্ট অমা লৈঙাক্লা পাঙথোক্তুনা মদুদা ক্বালিফাই ওইবা মীওইশিংতনা বিএদ/এমএদ তমহনবীয়ু হায়না মমাঙগী চহীদগী দেসামনা হায়জদুনা লাকখিবনি হায়রি।

এম য়ুগী বিএদসু নেসনল টেষ্টিং এজেন্সীনা লৌখ্রগনি অদুগা মণিপুরদা লৈরিবা বিএদ ইন্সটিট্যুসনশিংদি মাগী মাগী ওইবা মওংদা এন্ট্রান্স টেষ্ট তৌগনি হায়বসি চাংদম্নবা য়ারোইদবা অমনি। মরম অদুনা অপূনবা কম্মন এন্ট্রান্স ওইনা অথুবদা পাঙথোকপীনবা দেসামগী মায়কৈদগী লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লি হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

## অবদুল্লা মীহাৎকী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট...

*লামায় ১গী মখা...* য়ানীংদে, মরাল লৈবশিং চৈরাক পীয়ু, অবদুল্লা মীশিগী অচুম্বা ফংনবা হোৎনবদা মোইজিংগী মীয়াম্না লেপ্লি, এল পি জি অসি চাক থোংনবনি, অবদুল্লাবু মৈ থানবা নত্তে হায়বনচিংবা ইবা প্লে কার্দশিং পায়খি। লোয়ননা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা অবদুল্লা মীশিগী অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোকউ হায়বগী খোল্লাউশিংসু লাউখি।

ইত্তীহাদুল উলামা অমসুং জামিয়াতুল উলামা, থৌবাল মোইজিংনা পূন্না শীল্লগা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা ৱারেপ খরসু লৌখিবনি।

ঙসি চীফ মিনিষ্টরগা উন্নখিবা অদুদা থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসকী মায়কৈদগী ইনভেষ্টিগেসন থেংথখিবগী মরম খঙদোক্লবা হোৎনবগা লোয়ননা থা ৩গী মনুংদা অশেংবা অচুম্বা শোয়দনা ফংহনগনি হায়বগী থাজবা পীরকপদগী জে এ সী অমসুং মীয়ামগী খোঙজং হন্দোকপনি হায়রি।

## সমসন লৈখিদবগী ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* থবক্তা ওন্থোকপীনবা পীশিনখিবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী লৈখিদ্রবগী ইমুংদা লুপা লাখ ২গী শেলগী মতেং পীরকখিবগা লোয়ননা শোকপদগী হৌজিক রাজ মেদিসিটিদা লায়েংলিবা ইনাওদনা লুপা লাখ ১গী তেংবাঙ পীরকখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, লৈখিদ্রবা সমসন ভোপালগী মদনমহারাজ ফুটবোল ক্লবকী শান্নরোয়নি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা সেকমাই পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রগসু হৌজিক ফাওবদা চেন্নবা গাড়ী অমসুং মীওই ফাদ্রিবনি। অদুবু ঙসি চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন অথুবা মতমদা চথদুনা চেন্নরিবশিং ফাগৎনবা পাউতাক পীখ্রে হায়রি।

## কাংপোকপীবু 'দ্রগ ফ্রী দিষ্ট্রিক্ট'...

*লামায় ১গী মখা...* মায়কৈদগী পি এস অসিনা কোনবা জ্যুরিসদিক্সনশিংগী মনুংদা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা পোপি পান্বীশিং থারিব্রা হায়বগী মতাংদা চথখিবা ইনক্বারিগী থবক অমবু পি এস অসিগী জেনরেল দাইরি (জি দি) দা থা অসিগী ২২দা নম্বর ০৮/সাইকুল পি এস/২০২২গী মখাদা এন্ট্রি তৌখি হায়রি।

লোয়ননা পি এস অসিনা মসিগী জি দিদা এন্ট্রি তৌবগী মতুংইন্না মাওজাং ভিলেজগী মফম খরদা পোপি পান্বীশিং থারে হায়বদগী খুল অসিগী চীফ ওইরিবা লেটকম খোংসাইবু পি এস অসিগী ও সীগী মায়কৈদগী থা অসিগী ২৩দা সমন পীখিবনি। সমন অসি এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন ৬৭কী মখাদা পীখিবগা লোয়ননা মহাকপু থা অসিগী ২৯গী অয়ুক পুং ১১দা পি এস অসিদা লাক্লবা খঙহনখিবনি। করিগুম্বা নুমিৎ অসিদা মশা লাক্তুবদি মহাক্কী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা লিগেল এক্সন লৌখৎলগনি হায়নসু খঙহনখিবনি।

পুলিসকী মায়কৈদগী ভিলেজ চীফ অসিদা সমন পীখিবা অসিনদি কাংপোকপীদা থা অসিগী ১৯দা মীয়ামগী রেল্লি চৎখিবা অমসুং নুমিৎতুমক্তদা চীফ মিনিষ্টরদা পোপি থাহল্লরোই হায়বগী অচেৎপা ৱাফম ফোঙদোকখ্রবা মতুংদসু হায়রিবা পান্বী অসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা ইল্লিগেল ওইনা থাবা য়াওরে হায়বা তাকপনি হায়রি।

## ম্যান্মার মচাদা ফোরেন্নরনি হায়বদা...

*লামায় ১গী মখা...* মখোয়গী অহল লমনগী লমনি হায়বা লেপত্রি। লমদমসিদা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবগী ৱাখল্লোনগী ৱাংমদা মখোয় খক্তগী মরমদমনি হায়নবা হোৎনবা অমদি ম্যান্মারদগী মীওইশিং পুশিল্লক্তুনা পোপ্যুলেসন ৱার মায় পাক্লবা হোৎনরিবসি তৌরোইদবনি হায়রি।

ইন্টরনেসনল হ্যুমেন রাইট এসোসিএসন অসি মার্চ ১৩, ২০১৩দা য়ু এনগী পার্টিসিপেন্টনি হায়না লৈরম্বদগী মার্চ ২৯, ২০১৮দা এক্সপেল তৌখিবগী অমদি গ্লোবেল কম্পেক্ট ষ্টেটসতসু দিলিষ্টেদনি হায়রি।

অসিগুম্বা লৈত্রবা এন জি ও গ্লোবেলনি হায়রিবসি শীজিন্নদুনা অমুকসু আই ঐচ আর এ, মণিপুর চেপ্টরগী প্রসিদেন্টনি হায়জিল্লগা মণিপুরগী পুৱারীবু করেম্নবা অমদি য়েলহৌমীগী সেন্টিমেন্টদা খূৎ থাদুনা কম্যুনেল শাগৎপগী মরমনা গভর্ণমেন্টনা মার্ক টি হাওকিপপু ফাবনি। মসিদা ঈরাং শাগৎপগী মথৌ তাদে। আই ঐচ আর এ, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টনা ঙরাং গভর্ণরদা ফেদরেসন ওফ হাওমিবু মরাল পীশিন্দুনা মেমোরেন্দম পীবসি হ্যুমেন রাইটসকী ৱাংমদনি। গভর্ণরদা মীনম্বা থবক তৌবনি। মরম অদুনা অচুম অরান খঙলিবা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা অচুম্বা ৱায়েল চথবীয়ু হায়রি।

## মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম থুগাইনবা হোৎনরকপা ...

*লামায় ১গী মখা...* পুং ৬তগী লাইগী থৌরমশিং পাঙথোক্লনি। পেনানা য়াকাইরোল শক-শোনবা অমসুং হৈকৎ-লৈকৎ তমগনি। থৌরম অসিগী শৈহৌ অমসুং শৈরোই ঈশৈ য়াওগনি হায়খি।

পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা শরুক য়াখিবা অমুকোগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা জুন ১৮ থৌরমগী কোর কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট পি ঐচ নন্দো লুৱাংনা হায়, মীওই ৪না শাবা কোর কম্মিটিদা অমুকোগী সেক্রেটরি জেনরেল ডা. নোরেন্দ্রো থোকচোম অমসুং য়ু সী এমগী সেক্রেটরি জেনরেল এন জি দেব মীতৈনা কনভিনর অমসুং কো কনভিনর ওইরি। কম্মিটি অসিগী মখাদা সব কম্মিটিদনা য়ু সী এম অমসুং অমুকোগী থৌপুবা মীওই ২০না শরুক য়ারি। কম্মিটিগী মীওইশিংনা নুমিৎসিগী থৌরম মপুং ফাহন্নবা থৌদাং লৌদুনা হোৎনমিন্নগনি হায়খি।

হন্দক্কী থৌরম অসি ২১রক শুরকপা গ্রেট জুন অপরাইজিং, য়ুনিটি দেনি হায়রদুনা কোভিদ পেন্দমিকনা মরম ওইদুনা পাক চাওনা পাঙথোকপা ঙমখিদবা য়াওখ্রগসু হন্দক্তি কোভিদতগী শাফরক্লবনা মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম্না হৈকৎ লৈকৎ তমজনবা পাক চাওনা পাঙথোক্লগনি হায়খি। লোয়ননা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমবু মায়কৈ কয়াদগী অমদা নৎত্রগা অমদা থুগাইনবা হোৎনবগী থৌওং লেপত্রি। জুন ১৮গী ঈহৌ অদু থৌরম অসিনা চুম্না ইকায়খুম্নবা উৎতুনা নীংশিংবা খক্তা নত্তে, অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কদবনি হায়খি।

ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি কনাগুম্বা ফুরুপ কাঙলূপনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম থুগাইনবা হোৎনবা শুংয়া য়ারোই। করিগুম্বা হোৎনরক্লবসু মণিপুরগী মীয়ামগা লোয়ননা থেংনগনি। অথৌবা অথৌবী ১৮না য়াতারিবা কেক্রুপাৎতা হৈকৎ লৈকৎ তম্বনসু অমুক্কা হেন্না চেৎশিনবা ফিরেপ লৌবগী খুদোংচাবা ফংগনি। জুন ১৮দা লৈখিবা মীয়ামগী পূক্নিং ৱাখল, থৌনা অমসুং ইহুল অদু মাঙদনা লৈবীয়ু। ঐখোয়না নুংশি চান্নবা লৈমিন্নগনি খল্লুবা কাঙলূপ ফুরুপশিংগী মরক্তগীসু য়ৈখাই থিনগাইবা কয়া নৌহৌননা উরকপা অসিনা ঐখোয় মায়কৈ হোং হোংদুনা অচেৎপা ফিরেপ লৌদবা য়ারক্ত্রে। থৱায়না পোম্থা ওইরগা লৌরমখিবা অচেৎপা ফিরেপ অদু ঙাক্লবা থৌদাং লৌমিন্নসি। মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কন্নবা অচেৎপা ফিরেপ লৌদুনা থৱায়না পোম্থা পীখ্রবশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎমিন্নসি হায়খি।

## মোইরাংদগী মহৈরোয় ১না শাবা রোকেট নোংথক্তা ...

*লামায় ১গী মখা...* চুড়াচান্দপুর কৈথেলদা অশানবা য়ূম অমদা লৈরগা মনা মশিংগী দুকান ফম্বনি। মহাক্লা থা ১ রোমগী মমাঙদগী শারকপা রোকেট অমা নোংথক্তা কাপখৎতুনা চাংয়েং তৌগদৌরে হায়বা তাবদগী পাউচে অসিনা মহাক্কী মনাক্তা চৎতুনা উন্নরুবদা মহাক্লা হায়, অঙাং ওইরিঙৈদগী রোকেট শাবা য়াম্না পাল্লকখি। হৌজিক ফাওবদা লাইরিক তম্না তম্না রোকেট শাবগী মরমদা থিজিন্দুনা লাকখি হায়রি।

অঙাং ওইরিঙৈদগী নীংলকপা ৱাখল মায় পাকহন্নবা লেপ্তুনা হোৎনরকপদগী মমাঙ থাগী ৫দা মহাক্লা থা ১ চঙনা শারকপা অমুবা অমসুং ব্লু মচুগী রোকেট অমা মহাক্কী মোইরাং কোলেজগী কেম্পস মনুংদা মহৈরোয়শিং অমদি ওজাশিংগী মমাঙদা থাগৎতুনা চাংয়েং তৌখ্রে হায়রি।

অহানবা রোকেট অদু নোংথক্তা মিটর ১০০ রোমদমক শান্না কাপখৎনবা টার্গেট তৌখিবনি অদুবু লাইবক থীবদি লৈমায়দগী নোংথক্তা য়ৌহন্নীংবা মিটর মশীং য়ৌদনা লমখাংদগী অমুক হন্না লৈমায়দা তারকখি হায়রি। মসিগী মরমনা রোকেট অদুদা সোলিদ ফ্যুএল শীজিন্নদুনা কাপখৎলকপা মতমদা রোকেটকী শরুক্তা মৈরিদগী মৈশানা মরম ওইদুননি হায়রি।

অদুম ওইনমক হন্দক অনীশুবা ওইনা কাপখৎতুনা চাংয়েং তৌনবা শেম শারিবা রোকেট অসিদি ফিট ৩ শাংগনি, রোকেট অসিগী মচুনা অমুবা ওইগনি। নোংথক্তা মিটর ৮০০ লোম হায়বদি কিলোমিটর ১ রোম ৱাংনা কাপখৎনবা টার্গেট তৌরি হায়রি।

অনীশুবা রোকেট অসিদদি জি পি এস ফেসিলিটি অমদি ভিদিও ট্রান্সমিটরসু য়াওহনগনি। রোকেট অসি ৱায়রলেস রিমোর্ট কন্ট্রোল দিভাইস অমা শীজিন্নরগা কন্ট্রোল/রেকোর্দ তৌবগা লোয়ননা লৈমায়দগী নোংথক্তা কাপখৎপা মতমদা অশোয় অঙাম য়াওহন্দনবা হোৎনগনি। হৌজিক কাপখৎকদৌরিবা রোকেট অসি শাবা পুমলোই লোইরে। অদুবু রোকেটকী মশাদা হাপচিনগদবা জি পি এস অমদি ভিদিও ট্রান্সমিটর অমা মপান্দগী চেনখিবদগী য়ৌরকপা ঙাইরি। পোৎলম অনীসি হেক থুংলবগা অথুবা মতমদা মীয়াম য়েংহন্দুনা মোইরাং কোলেজগী কেম্পস মনুংদগী কাপখৎকনি হায়রি।

অদুগা রোকেট অসিনা পাইখৎকদবা অরাপ্পা অদু য়ৌরবা মতুং অমুক হন্না লৈমায়দা তারকপা মতমদা অমুবা মচুগী পেরাচুট অমা শীজিন্নদুনা তপ্পা তাহল্লক্কনি। লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা রোকেট অসি শাবদা লুপা লিশীং ২০গী মথক্তা চঙখ্রে হায়রকখি।

## মণিপুরদগী নত্তবা মীওইশিংনা মণিপুর নুংশিবা...

*লামায় ১গী মখা...* সী এম সেক্রেটেরিয়েৎকী দরবার হোলদা উনবগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মীয়াম্না লেপ্পা লৈতনা ৱার ওন দ্রগসতা মতেং পীরক্লি। মসিনা মরম ওইরগা লমদম অসিদগী ময়ায় কাবা চীঙ্গাকশিং থিংনবা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি ঙসিদি শোয়দনা মায় পাক্লগনি হায়বগী চপ চাবা থাজবা অদু লৈরে।

ময়ায় কাবাচীঙ্গাক থিংবগী খোঙজং অসিদা চীং অমদি তম হায়বা খায়দোক্তনা অমত্তা ওইবা ৱারেপ লৌরক্লিবা অসি থাগৎলি। অমরোমদা য়াম্না নুংঙাইরিবা অমনা ঙমখৈগী শরুকশিংদা ময়ায় কাবা চীঙ্গাক লল্লোনবগী থবক তৌরিবা মীওইশিংগী মথক্তা মফম অদুদা লৈরিবা মীওইশিংনা লৈবা ঙম্লক্লিবা অসিনি। ঙমখৈগী শরুক্তা লৈরিবা মাওগী মীয়াম্না মায়কৈ অদোমদা ময়ায় কাবা চীঙ্গাক লল্লোনবা অমদি পোপী থাবা থিংলে হায়না অমত্তা ওইনা ৱারেপ লৌরকখিবা অসি য়াম্না নুংঙাই। মসিগীদমক মাও কাউন্সিল অমদি মাওগী মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোকই হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, অথুবা মতমদা মণিপুর লৈঙাক্লা ফাগৎখ্রবা দ্রগশিং মীয়াম মমাংদা মৈ থাদুনা মাঙহল্লগনি। খুদক্কী ওইনা ফারবা দ্রগশিং অদু হেক্তা মৈ থাবা য়াদবনা মরম ওইরগা মতম খরা চোন্থবনি। ফারবা দ্রগশিং অদু দিসপোস তৌবা মতমদা সেন্টরদগী অয়াবা লৌবা মথৌ তাই। অদুবু কোর্টকী প্রোসিদিং লোইরবশিংগী ওইনদি মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনবা য়ারে। হৌজিক হৌজিক দ্রগ কিলোগ্রাম ১০০০ রোম মৈ থাদুনা মাঙহনগদবা ৱাৎলি। চয়োল অমগী মনুংদা মিদিয়াগী মমাংদা মৈ থাদুনা মাঙহল্লগনি হায়খি।

ঙসি চীফ মিনিষ্টরগা উনখিবা অদুদা ট্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিলস মিনিষ্টর লেটপাউ হাউকিপ অমসুং মাও এ সীগী এম এল এ লোসি দিখোসু শরুক য়াখি।

KINGDOM
EDUCATIONAL INSTITUTE™
N·S·D·C National Skill Development Corporation
Transforming the skill landscape
Recognised by Ministry of Corporate Affairs, Govt. of India
An ISO 9001:2015 Certified Institute
Special Class for X, XI, XII Appeared Students
IT & SKILL COURSES
Computer (NIELIT)
Spoken Hindi
Spoken English
AVIATION COURSES 2nd Batch –10th Jun, 22
Cabin Crew
Ground STAFF



Get trained under the Supervision of Sir Naobi Loitongbam
21 yrs Teaching Experience
1 Mth in Myanmar / Burma as a Trainer
Multiple Schools & Colleges
2 Mths at AIR (All India Radio) Imphal
3 mths at IT Call Centre as a Trainer
(Sponsored by SAT, Govt. of Manipur)
As an English Language Trainer (Sponsored by UGC)
www.kingdomeduinstitute.com 7005622203 / 8837407726
Kingdom Office, IIIT Building (1st Floor)
Old Lambulane, Opp. GP Women's College
HL-B/7620-24April to 22 June (alt.)